# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাড--

১) পুন্না লম একর ৩১৮ লোমদা থারন্বা পোপ্পি পান্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

২) নমদুনা শেল খায়বা অমদি ড্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা মীওইশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎপা লেপত্রি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- যোগনা হকচাং অমসুং পুকিং ৱাখল ফনা থন্বদা লৌরিবা থৌদাংবু মালেমগী মীয়ামা খঙনবা হেনগৎলক্লি।

------

বিরেন (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী মনুংদা লৈবা য়াওলেন লমলাই চীংফৈ চীংশাং অমসুং মদুগী অকোইবদা লম একর ২০০ রোমদা থারন্বা য়াম্লবা পোপ্পি পান্বীশিং নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো, বি.এস.এফ, মণিপুর পুলিস অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী অপুনবা কাংবু অমনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। এল.এম. ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা মুল্লাম অমসুং সোংফেল এরিয়াদা লম একর ১১৮ রোমদা থারন্বা পোপ্পি পান্বীশিং ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। মফম অদুদা লৈরন্বা লৌতাংশঙ ২০ সু মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখি হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা ৱার ওন ড্রগসকী মনুং চন্না পোপ্পি পান্নীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লিবা অসিদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- অসিগুম্বা পোপ্পি পান্নীশিং অসি য়ান্থৎতুনা মাংহনখিবা অসিনা ঐখোয়গী নহারোলশিং, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং মহৌশাগী পোখোকশিংদা অকিবা কয়া পীরম্বা অদু হন্থহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরবা মতমদা ভারত অসি ড্রগ ফ্রি ওইবা লৈবাক অমা ওইহনবা শোইদনা ঙমগনি হায়নসু শ্রী পিবরেন্না থাজবা ফোংদোকখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবা অমসুং নমদুনা শেল খায়বা য়াওনা আইন্না য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মৈতৈ লমখায় ক্রোসিংদগী ঙরাং মণিপুর পুলিসনা নমদুনা শেল খায়বগী থবক্তা চেন্নবা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওহ অমা ফারে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ক্ষেরগাউ য়ুমখায়বম লৈকাইদগী ড্রগ লল্লোনবা মীওই অহুম ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।
মখোয়দগী তুয়েল্ব বোরগী দবল বেরেল সোট গন অমা, হিরোইন য়াওবা সাপোন কেপ ৩৯, গ্রাম ৪৩ রোমগী ওইগদবা দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ, এস.পি. টেব্লেৎ ১১২ অমসুং শেল ওইনা লুপা লিশিং ৭০ ফংলে।

সনাজাউবা (এল)ঃ মণিপুরী লোলবু ভারতকী ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজশিংগী মনুং চল্লে হায়না লাউথোকহন্নবগী মতাংদা রাজ্য থাক্কী কমিতি অমা নৌনা শেম্লে। আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- কমিতি অসিগী

চেয়ারমেন রাজ্যপালনা ওইরে। চীফ সেক্রেতরিনা মেম্বর অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনারনা কনভেনর ওইরগা তোঙান তোঙানবা মীওই ১০ না কমিতি অসিগী মেম্বরশিং ওইরি। খোঙথাং অসিবু রাজ্য সভাগী এম.পি. অমসুং মণিপুরগী নিংথৌ- সনাজাউবা লৈশেম্বনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। ৱারোল অমদা নিংথৌনা হায়- রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা অখন্নবা মীৎয়েং চংবীদুনা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা লৌখৎলকপা অসি থাগৎনিঙাইনি। কুমজা ২০২০ গী সেপ্তেম্বর ২২ দা মহাকা ৱাফম অসি ভারতকী সংসদতা পুখৎখি। রাজ্যপালনা লুচিংবা নৌনা শেম্লিবা কমিতি অসিনা মণিপুর মীয়ামগী পুকিং ইহুল খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবসু নিংথৌনা ফোংদোকখি।

টুর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা জাতিগী অপুনবা শক্তমদা যুম্ফম ওইদুনা পাঙথোকপা মণিপুরগী মহৈরোইশিংগী কাংবু অমা কোলকাতা য়ৌখ্রে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়- মহৈরোইশিংগী কাংবু অদুনা বিজয় সমারকতা লৈবা ইষ্টর্ন কম্মান্দগী হেদক্কাটরসতা চত্তুনা য়েংখি। মখোয়না ইষ্টর্ন কম্মান্দগী জি.ও.সি ইন-চিফ, লেফটনেন্ট জেনেরেল আর.সি. তিৱারিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মহৈরোইশিংগী কাংবু অদুনা কোলকাতাদা লৈবা ঐতিহাসিক ওইরবা মফমশিং অমসুং নৌনা শেমগৎপা ফজরবা মফম কয়াদসু চত্তুনা য়েংখি। মখোয়না হুগলি তুরেল অমসুং মোহন বগান ষ্টেদিয়মচিংবদসু চৎখি।

লাইরিক (এল)ঃ ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিদা পাঙথোক্লিবা ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ারগী ঙসি ৫ নি চনবা নুমিৎতা মিট দ আর্টিষ্টকী থৌরম পাঙথোক্কনি। নুংথিল পুং ১ দা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা শকাইরবী মণিপুরী খুনুং ঈশৈ শকপী বেনিতা লাইশ্রমগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। ঙরাং মরিনি চনবা নুমিৎতনা ইমপোরটেন্স ওফ বিল্ডিং লাইব্রেরি হেবিৎস, স্পেসিয়েল্লি ইন দা লাইব্রেরি হায়বা হিরমদা করিয়র কাউন্সেল্লিং সেসন অমা পাঙথোকখি।

ৱেদর (এল)ঃ  নিংথম থাগী ইংবগী চাং তপা তপা হেঞ্জিল্লক্কুনা ঙসি ইম্ফালদা সেলসিয়স দিগ্রি ৭ য়ৌনা ইংলে। মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা ঙসি মণিপুরগী জিলা ৯ দা লৈচিল থাগনি হায়রি। জিলাশিং অদুদি- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং, বিষ্ণুপুর, চুরাচান্দপুর, ফোরজোল, উখ্রুল অমসুং সেনাপতি জিলাশিংনি। ফিভম অসি লাক্কদৌরিবা নুমিৎ হুমিদসু থোইনা অহোংবা লৈরোই।

মোদি ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- যোগনা হকচাং ফনা লৈবা অমসুং পুকিং ৱাখল ইংথহনবগী থৌওংশিং ঙসিদি মালেমগী মীয়ামা খঙনবা হেনগৎলক্লি।

মহৌশাদগী শিজিন্নরকপা অনা লায়েংগী হিদাকশিংগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা দব্লিউ.ঐচ.ও গ্লোবেল সম্মিৎতা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতনা কন্না হোৎনবা অমসুং লৈবাক ১৭৫ না মতেং পাংলকপদগী জ়ন ২১ বু মালেমগী যোগগী নুমিৎ হায়না য়ুনাইতেদ নেসন্সনা লাউথোকখি। হৌখিবা চহি খরা অসিদা মালেমগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা যোগ মশান্নবু হেন্না পামবা হেনগৎলক্লি। চাউখৎলকপগী মতুংইন্না মীওইবনা হকথেংননা শু-নোম্বগী চাং হন্থরকপদগী ঐখোয়গী হকশেলদা লায়না তিলনা কয়া লাকবগী অচৌবা মরম ওইরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা যোগ শান্নবনা হকচাং ফনা লৈবতা নত্তনা ঐখোয়গী পুকিং ৱাখলবুসু শান্তি লৈহল্লি।

সাহ ঃ  হোম অমসুং কোওপরেসন মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- নেক্স জেনেরেলসন ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপগী লমদা হৌখিবা চহি ১১ অসিদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা পুরকপা ঙমলে।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা রিএল ইষ্টেট দিভলপর এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী জাতি থাক্কী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সাহনা হায়- সরকারনা অখন্ননা পায়খৎপা থৌশিল থৌরাংশিং- নেসনেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর পাইপ লাইন, ভারত মালা, সাগর মালা অমসুং পরবত মালনচিংবগী মখাদা লৈবাক অসিগী সহরগী

লমশিংদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা শিংথানিঙাই ওইনা খুমাং চাওশিল্লে। মসিনা ভারতপু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈবা লৈবাকশিংগী মনুং চলহন্নবা হোৎনরিবা মঙলান অসি মঙফাওনহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

নেভি ঃ চীফ ওফ নেভেল ষ্টাফ, এদমিরেল দিনেশ কে. ত্রিপাথিনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা ইন্দিয়ান দিফেন্স এক্কাউন্টস সার্ভিসকী কুমজা ২০২৪ বেটচকী প্রোভেসনরশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা শ্রী ত্রিপাথিনা লৈবাক অসিগী ঈশিংগী লম ঙাক শেনবগী লমদা ভারত নেভিনা লৌরিবা থৌদাংশিং খঙহনখি। ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা ইন্দিয়ান আর্মদ ফোর্সেস য়াওনা অতৈ ওর্গনাইজেসনশিংদা শেল নিংথিজনা শিজিন্নবা অমসুং লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগা মরী লৈনবা লম কয়াদা দিফেন্স এক্কাউন্টস দিপার্টমেন্টনা লৌরিবা মরুওইবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু শ্রী ত্রিপাথিনা ফোংদোকখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ফৌগাকচাউ এটেক্কী তুংদা হেলিকোপ্তর শিজিন্নদুনা ওপরেসন চথখ্রে। কুকি খুৎলায় পায়বশিং ফংদ্রগা ইং তপ্পা মফমদা অকি অখণ্ড পোকহনবা য়ানিংদে হায়বা পাউনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

তোরবুং থৌদোক্তা চেন্নবশিং ফানবা মশক থোকপা ওপরেসন অমা তৌরক্কদ্রা খন্নরম্বগী ওন্ন-তৈনবদা হৈরোকতা ওইনা হেলিকোপ্তর শিজিন্নদুনা অচৌবা ওপরেস চথখ্রে হায়না পোকফমগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মসিগা মান্নবা পাউশিং হুইয়েন লানপাউ, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপরি অমসুং ইংলিস ইদিসনদা হেদলাইন তৌরি।

চৎলিবা দিসেম্বর থা লোইগদবা নুমিৎ ১২ নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লে, লৈঙাকা আই.দি.পি পুমমক য়ুমদা হজ্ঞিনহনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- দিল্লিদগী সাইকলদা লাকখিবা মালেম থোঙাম ইম্ফালদা থুংলখ্রে। কুকিশিংনা শান্তি পামদ্রিবা করিগীনো হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। মসিগা মান্নবা পাউশিং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন অমসুং পোকফমদসু ফোংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথিম মীফম লোইশিনখ্রে। নিংথম মীফম তেগোরবু ইকায়বা পীবনা হৌদোক্লগা গান্ধিবু ইকায় পীদুনা লোইশিনখ্রে হায়বা পাউন অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দ পিপলস ক্রোনিকলদা- পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সেন্তরনা থবক পায়খৎলগনি হায়বা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোংদা ফোংবা পাউচে- দ গানফিউ মেলদা, তমেংলোং ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল ২০২৫ লোইশিনখ্রে। হংগমাং গাংমৈনা ওরেঞ্জ কম্পিতিসন থোইখ্রে হায়না হেদলাইন তৌরি।

১৮ শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল তমেংলোংদা লোইশিনখ্রে হায়না দ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সিপুনি সা চেম্পিয়ন ষ্টেট লেবেল ইন্দিজিনস চেম্পিয়নসিপ পাঙথোকখিবগী পাউনা সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------